## এডিটোরিয়েল

### মথৌ তৌগদবা মতমদা মথৌ তৌদবা

*মণিপুরগী তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্তা ইপিসেন্টর ওইবা মেগনিচুট ৬.৭ য়ৌনা লৈবাক নিকহনখিবা য়ুহার হাবা অদুনা মণিপুরদা মীওই কয়া শীহনখ্রে। য়ুম–কৈ অমদি মালচাং কয়া মাঙ তাকহনখ্রে। অসিগুম্বা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা অসিদি মণিপুরগী ওইনদি থেংনদবা য়াদবা খুদোংথিবা অমা ওইরগনি হায়বসি সাইন্টিফিক ফাইন্দিংশিংদগী খঙবা ঙমলে। মরমদি মণিপুর অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা মফমশিং অসি ইন্দিয়া অমদি ইউরিয়াসিয়া প্লেট অমগী তাইনফম ওইবা অমদি ইন্দিয়া প্লেটনা লেপ্তুনা ইউরিয়া প্লেটতা চংশিনবনা লমদম অসিদা অকনবা য়ুহার হাবগী খুদোংথিবা অসিদি অদুমক য়ায়োক্লদুনা লৈরগদবা থৌদোক অমা ওইরে। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী পোলিসি অমা ওইনা লৈবা অসিদা থোকপা অৱাবা খুদোংথিবা হায়বদি ডিজাস্টরশিং থেংননবা মেনেজমেন্ট সেন্টরগী ওইনা লৈবগী মথক্তা ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনসু সেন্টরনা চাউরবা শেনফমথাদদুনা ষ্টেট ডিজাস্টর মেনেজমেন্ট ডিপার্টমেন্ট চিংদুনা থবক তৌহল্লি। অসিগুম্বা ডিপার্টমেন্ট অসিগী মখৌদি থোরকপা য়াবা মহৌশাগী ওইবা অৱাবা খুদোংথিবশিং থোরকপা মতমদা মীশি–মীনা য়াম্না থোক্তনবা অমদি মাল চাং য়াম্না মাঙহন্দনা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং মাঙজৌননা মীয়ামদা মাঙহনবগী মথক্তা খুদোংথিবশিংঠ অদু থোরক্লবা মতমদা অৱা তেংবাং পীনবা রেপিদ এক্সনা ফোর্স শেমগৎপনি। অদুবু শোয়দনা অসিগুম্বা মহৌশাগী খুদোংথিবা অসি নোংমা নোংমা থোক্লরগনি হায়না খঙলবা মণিপুরদা ডিজাস্টর মেনেজমেন্ট ডিপার্টমেন্টনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ অদু তৌখিব্রা হায়বদু হংনিংঙাই ওইবা অচৌবা ৱাহং ওইরে। য়ুহার হারক্লবা মতমদা মীচম প্রজাশিং নুপী অঙাংশিংনা করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ইনফোর্মেসন, এডুকেসন অমদি কম্যুনিকেসনগী থবক পায়খৎখিব্রা হায়বসি চীংননিংঙাই ওইহল্লে। মরমদি ঙরাংগী য়ুহার হাবা অদু থোক্লবা মতমদা মীয়াম্না করম্না থেংনগদগে অমদি খঙ্গদগে হায়বদু ইখঙ খঙনখিদবগুম তৌখি। ঙরাংগী লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি অশোক অপন নঙখিবা মীওইশিং অদু য়ুহার হারক্লবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা থবক ইখঙ খঙদবদৌনা তৌখিবগুম তৌখি। য়ুহার হারক্লবা মতমদা নিংখায়রক্লবা য়ুমগী মনাক্তা মথোং মরম খঙদনা শেন্দোকপদগী শোকপা অমদি পাখৎপদগর অৱাংবা য়ুমগী মথক্তগী চোংথরকপদগী অশোকপা মশীং য়ামখি। মসিনা তাকপদি মণিপুরগী মীয়ামদা ডিজাস্টর মেনেজমেন্ট ডিপার্টমেন্টনা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবা এৱারনেস প্রোগাম পায়খৎফম থোকপা চাংদা পায়খৎখিদে হায়বদু তাক্লে। মসিগীসু মথক্তা ডিপার্টমেন্ট অসিনা শেল য়াম্না থাদদুনা পাঙথোকখিবা রিলিফকী থবক পায়খৎনবা ভোলুন্টয়ারশিং অদু য়ুহার হাখিবা মতুং পুং ২৪ হেল্লবা ফাওবদা মশক মশা উখিদবদুনা তাকপদি ভোলুন্টরশিং অদু মওং তানা ট্রেনিং তৌখিদ্রে অমদি মওং তানা ওর্গনাইজ তৌদ্রে হায়বসিনি। মণিপুরদা লৈরিবা অতৈ ডিপার্টমেন্টশিংগুম ডিপার্টমেন্ট অসিসু ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং মমিংতগী ওইনা চেদা পাঙথোক্লগা থারকপা শেল ময়াম অদুগা শায়েন ঙায়েন্নরগা থৌদৌ অদু ডিপার্টমেন্ট অসিদসু পাঙতোকখি হায়না চীংনদুনা মীয়াম্না লৈবসি হন্দক্কী থৌদৌ অসিনা ময়েক হেন্না শেংহনবদৌনা তৌরি। তৌববুদি ডিপার্টমেন্ট অসিগী শেল থুম মওং তানা শীজিন্নদবগী রিপোর্ট কয়াদুদি মেদিয়াশিংদা অমদি অতৈ গভর্নমেন্টকী রেকোর্টশিংদসু পন্দুনা লৈরবনি। অদুবু ডিজাস্টর মেনেজমেন্টকী ডিপার্টমেন্ট অসিগা অতৈ ডিপার্টমেন্ট অসিগা*

*খেৎনবা শোইদনা লৈগনি। অতৈ ডিপার্টমেন্টশিংগী ফন্দশিং লান্না শীজিন্নখিবা অমদি ডিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা তৌগদৌবা মথৌ তৌদনা হাবী জাবী তৌদুনা লৈথোকখিবা অদুগা ফলদি খুদক্তা ফংদে। অশী–অনা থোক্তে অদুবু ডিপার্টমেন্ট অসিগী থবক থৌদৌদা শোয়রকপদা মীশি মীনা হেনগৎহল্লি, লন–থুম হেন্না মাঙহল্লি হায়বসি লান্দ্রবা ৱাফড়নি। মসিগুম্বা অসুক লুখ্রবা ৱাফম অসি চেন্নরিবা ডিপার্টমেন্ট অসিনা তৌফম থোকপা মথৌ মওং তানা তৌদনা হায়বসি য়াম্না অরুবা ৱাফমনি। হিরম অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চংফম থোকই। হৌখিবনা হৌখ্রে লাক্কদৌবা খুদোংথিবশিংদগীদি ঐখোয়গী পুন্সি কনবীনবা গভর্নমেন্টনা শীনফম থোকই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### য়ুহার হাবগী কান্নবা

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

য়ুহার হাবা হায়বসি য়াম্না মাঙ তাকনিংঙাই ওইবা, মীশি–মীনা থোকহনবা মহৌশাগী শাথিরবা থৌদোক অমনি। ঙরাং থোকখিবা য়ুহার হাবা অদুনসু মী ৬ শিহনখ্রে, ১০০গী মথক্তা অশোক অপন নংহনখ্রে। য়ুম কৈ, ফুরা–দলান কয়া মাঙ তাকহনখ্রে। অদুবু অসিগুম্বা তমথিরবা থৌদোক অসিনা ঐখোয়দা কান্নবা, পুক্নিং লৌশিং ওইবা য়াবা কান্নবা কয়া পীদবা নত্তে। য়ুহার হাবা অসিনা সরকারনা পৈশা য়াম্না থাদদুনা শাবা য়ুম–কৈ কয়া মন্ত্রি, এম এল এ, থিকাদার ময়াম মান্নরগা পৈশা হুরানবা য়ানবা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদনা শাবগী থৌদৌ অদু শবাক ফাক্তুনা উৎলে। অতৈ মত নৎত্রবসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লৈরিবা লন্নাই, য়ুমশিং অসিনা করিসু তৌদ্রগা নৌনা শাখিবা নুপী কৈথেল অহুমগী মনুংদা অনী নিংখাইখিবা অসিনা স্মিপ্লেক্স কম্পেনিগী মমিং লৌরগা লমদম অসিগী হুরানবগী পুকচেল চেল্লবা থিকাদারশিংনা কৈথেল শঙশিং অসি শাবদা তৌখিবা থোক মোক ময়াম অদু শাবাক ফাক্লা উৎলে। মসিদসু নত্তনা মণিপুর গভর্নমেন্টনা শাবা স্কুল শঙ কয়া তোরা তুনা তেকখিবা অসিনসু সরকার অসিগী হুরানবগী থৌদোক শাবদা ফাগৎপনি। হন্দক্কী য়ুহার হাবা অসিনা অচৌবা পরা অমা তম্বীদুনা মতুংদদি লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবদা হুরান চিন্থিগী থবক অসি নোংবা নৎত্রগা নোংমদি ফারক্কনি হায়বদু নীংশিনহল্লবনি হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবীনবা এদিটরদা নীংশিংজরি।

**অদোমগী,**
**কৈশাম তোম্বা মীতৈ**
**তাংখম**

# পোলিটিকেল ষ্টেটস ওফ মণিপুর

মণিপুর য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মনিং–মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকখিবনি। অদুবু মার্জিৎ নিংথৌগী মতমদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়দুনা মতম খরদি অৱাগী মখা পোন্দুনা লৈখি। খৃঃ ১৮১৯ দগী ১৮২৬ ফাওবসি মণিপুর খুন্তাকখি অমদি মণিপুরগী নিংথৌ য়াওনা কাছাড় অমদি সিলেট্টা লান চেন্দুনা লৈখি। অদুবু খৃঃ ১৮২৬ কী অংগ্রেজ অমসুং অৱা অনীগী মরক্তা ইনখিবা য়ানচে অদুগী মতুং ইন্না ( Treaty of Yandaboo - 1826) মহারাজ গম্ভিরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবদগী মণিপুর অমুক হন্না মনিং তম্বা লৈবাক ওইনা লৈরকখি। হায়রিবা নিংতম্বা অসি খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল থাদা অংগ্রেজশিংনা মণিপুরবু মায়থিবা পীখিবদগী মণিপুরগী নীংতম্বা অমুক মাংখি। মরম অসিনা ১৮২৬ তগী ১৮৯১ ফাওবগী মণিপুর নিংখাতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্মী। হায়রিবা ৱাফম অসিগী মরুওইবা প্রমান ওইনা মখাগী official document শিং অসি য়েংবা য়াই ঃ– গর্ভনর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী Mr. G.W. Swinton না গর্ভনর জেনেরেল ওফ অসামগী এজেন্ট Mr. David Scott, তা ইবা চিঠি অমদা অসুম্না ইরি ঃ–

"The Govt. of India have decided that the favourable opportunity should not be lost of enabling a friendly chief like Gambhir Singh to eatablish an independent govt. between the British and the Burmese" .চিঠি অদুনা অমুক মখা তানা ইরি ঃ– ". . . by assisting Gambhir Singh to recover Manipur the British Govt. should impose most powerful and effectual check on the Burmese".

ৱারোলশিং অসিনা শেংনা তাক্লি মদুদি Treaty of Yandaboo গী মতুংইন্না গম্ভিরসিংহবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা লাকখিবসি মণিপুরগী নিংতম্বা নিংথৌ অমা ওইননি – কনাগী মখা পোনবা নত্তে।

(২) খৃঃ ১৮২৬ তা Treaty of Yandaboo হেক সনবগা ইকুই–কুইনদনা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা বর্মাগী কোর্টতা Mr. Crawfurd হায়বা অমবু থাখি অমদি মণিপুর অমদি বর্মা অমসুং বৃটিশ অনিনা লৈনরিবা মরী–মখোঙ শেংনা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি পল্লদুনা Mr. Crawfurd না ইবা লাইরিক Journal of Ambassy from the Governor general of India to the Court of Ava হায়না কৌবা খৃঃ ১৮২৭ তা লণ্ডলদা ফোঙবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরিঃ–

" . . . in respect of Manipur Gambhir Singh is declared by the Treaty to be sovereign there of ... Manipur is therefore, an independent Country".

(৩) খৃঃ ১৮৩৩ য়ৌরকপদা বৃটিশ গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা জিরি–ট্রিটি (Jiri Treaty, 1833) ইনখি। মসিগী মতুংইন্না জিরিবামগী লমশিং মণিপুরগী ওইখি অমসুং মণিপুরগী ওইনা লৌরবা চন্দ্রপুরনা বৃটিশকী ওইখি। জিরি তুরেলনা বৃটিশ অমসুং মণিপুরগী লমখৈ ওইনা য়ানখি। য়ানচে অসি ইনবদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ 'Treaty' হায়বসিনা মণিপুর মনিং–মখা তম্বা লৈবাক্লি হায়বা তাক্লি, মরমদি – বৃটিশ গভর্নমেন্টতা চহীগী লুপা ৫০,০০০ (লিশিং য়াঙ্খৈ) লৈবাক ঙাকহনবা অপ্পর অসামগী Mr. Purrandhar Singh গা ইনবা চেরোলদা 'Treaty' হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নবা য়াখিদে।

(৪) খৃঃ ১৮৩৫ দা মণিপুরদা ইহান হান্না পোলিটিকেল এজেন্টসি হাংদোকখি। অহানবদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টসি অসি বেঙ্গল সরকারগী মখাদা থম্লম্মি। অদুবু খৃঃ ১৮৩৬ তা হায়রিবা পোলিটিকেল এজেন্ট অসি ভারত সরকারগী মখাদা পুশিনখি। মদুগী মরম পীরদুনা অসুম্না ইরি মদুদি – "It was connected with a foreign and independent state".

(৫) খৃঃ ১৮৫০ দগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরে। মহারাজ অসিগী মতমদা ইং ১৮৫২ দা বৃটিশ গভর্নমেন্ট Major Mecullock না পোলিটিকেল এজেন্ট ওইবা মতমদগী হৌনা মণিপুর অসি British Protectorate নি হায়না লাউথোকখি। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিবু তাম্থোক্লবা হোৎনবা পুম্বা বৃটিশকী য়েক্লবনি হায়না লৌদুনা বৃটিশ গভর্নমেন্ট ফাদুনা থমখি। খৃঃ ১৮৬৫ দা কৈফা সিংহ কৌবা অমা চন্দ্রকীর্ত্তিগী মথক্তা লাল হৌনবা হোৎনৈ হায়দুনা বৃটিশনা ফাখি অমসুং বিচার তৌখি। হায়রিবা বিচার অসি চৎথবদা বৃটিশনা মণিপুরবু "Asiatic Power in alliance with the Queen" হায়না লৌখি।

(৬) খৃঃ ১৮৮১ য়ৌরকপদা Major General Sirk James Jhonstone না পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরিঙৈদা মেডিকেল এফিসার, Dr. George Watt হায়বা অমা মণিপুরদা লাকখি। জোনস্তোননা স্কুল লীংখৎনিংই অদুবু শেল লৈতবনা লীংখৎপা ঙমদে। অদুনা স্কুল লীংখৎনবা বেঙ্গলগী গভর্নমেন্টতা শেলগী মতেং পীবিনবা চিঠি অমা Dr. George Watt তা ইহনখি। – চিঠি অদু ইবদা Dr. Watt না হায়খি –

" In requesting your aid the Political agent is aware that (Manipur being an independent state) this educational scheme might be considered beyond your Power".

মথক্তা থমজখ্রিবা গভর্নমেন্টকী ডোকুমেন্টশিং অসিতা নত্তনা বৃটিশ গভর্নমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা ইরম্বা রিপোর্ট অমদি লাইরিক কয়াদগুমথক্তা হায়রিবা মতম খৃঃ ১৮২৬ তগী ১৮৯১ অসিফাও মণিপুরগী মনিং–মখা তম্লম্মি হায়বসি ফোঙদোক্লম্মি।

Recognition, Protectorate, Paramountcy, অসিনচিংবা ৱাহৈ কয়ানা মণিপুরবু বৃটিশকী মখা পোনবা লৈবাক ওইনা উহন্নবা হোৎনৈ। অদুবু ৱাহৈশিং অসিনা মণিপুরগী নিংতম্বা মাংহনবা ঙমখিদে – ৱাহৈশিং অসি অকনবনা অশোনববু তুহৎনবা শীজিন্নবা ৱাহৈ ঙাক্তনি। বৃটিশনা রিকোনাইজ তৌদবদগী নিংথৌ ওইবা য়াখিদবা নিংথৌ অমত্তা য়াওখিদে। বুটিশনা লৈরম–লৈরম্বা মণিপুরগী নিংথৌবু রিকোকনাইসন পীখি। প্রোটেক্টোরেত ওইবনা মশাগী নিংতম্বা মাঙদে। Paramountcy হায়বসিসু মখোয়গী মখাদা নমদুনা পুশিন্নবা হোনিবদা শীজিন্নবা ৱাহৈনি।

পুন্না য়েংলবদা মথক্তা পীজরিবা ৱাফমশিং অমদি মখোয়গী মরী লৈন্নবা চে–চাংশিং অসিনা উৎলি মদুদি হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মণিপুরনা কনাগী মখা পোন্দে। মণিপুরনা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা লোয়পোৎ (Tribute) পীখিবা লৈখিদে। মণিপুরগী মশাগী মনিংতম্বা চৎন–পথাপ লৈরম্মী। নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা কংগুম্বা মীতোপ (foreigner) অমত্তা মণিপুরদা চঙলকপা অমসুং লৈহনবা য়ারমদে। অদুবু খৃঃ ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুরগী লালদা বৃটিশকী মখুত্তা মাইথীবা ফংখিবদগী মণিপুরগী নিংতম্বা মাংখি অমসুং বৃটিশকী মীখা পোনখি।

# দ প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩

**মমাঙ য়ুমশকৈশগী মখা...**

**২৪। ষ্টেট কম্মিশনগী ওফিস পায়বগী মতমঃ**

(১) থৌবুরেল অমা ওইনা হাপ্পবা মীশক অমনা মানা থবক হৌবগী তারিখ অদুদগী চহী মঙাগী মতমগা নৎত্রগা মহাক মশাগী চহী হুম্ফুতরা শুদ্রিফাউবগা অনীগী মরক্তা হান্না শুবা মতম অদু ফাউবা থবক পায়গনী।

(২) মেম্বর অমা ওইনা হাপ্পবা মীশক অমনা মানা থবক পায়বা হৌবগী তারিখ অদুদগী চহী মঙাগী মতমগী ওইনা থবক পায়গনী অদুগা অতোপ্পা চহী মঙাগী মতম অমগীগী ওইনা হন্না হাপ্পা য়াই,

অদুম্নদি ওইরবদা কনাগুম্বা মেম্বর অমত্তনা চহী হুম্ফুতরা শুরবা মতুংদদি থবক পায়বা য়ারোই।

(৩) থবক পায়বা লেপ্লবদদি, থৌবুরেল অমা নৎত্রগা মেম্বর অমনা করিগুম্বা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমগী নৎত্রগা ভারত সরকারগী মখাদা মখাতানা থবক তৌবা য়াবা মী অমত্তা ওইররোই।

২৫। ফীভম খরদা মেম্বরনা থৌবুরেল ওইনা থবক তৌবা নৎত্রগা মহাক্কী থবক পাঙথোকপাঃ

(১) শিবা, মশানা ফম থাদোকচবা নৎত্রগা অতোপ্পা ফীভম্না মরম ওইরদুনা থৌবুরেলদগী ফমদু হাঙবা থোক্লকপদা , গভর্নরনা নোটিফিকেসন থোক্তুনা অহাঙবদু মেনশিন্নবা অনৌবা থৌবুরেল অমা হাপ্তিবা ফাউবা মেম্বরশিংদুগী মনুংদা অমবু থৌবুচরেল ওইনা থবক তৌনবা শিন্নবা য়াই।

(২) ছুটি লৌদুনা নৎত্রগা অতৈ ফীভমদা কারক্তবদগী থৌবুরেলদুনা মাগী মথৌশিং তৌবা ঙমদ্রবা মতমদা গভর্নরনা নোটিফিকেসন থোক্তুনা মসিগী মতাংদা মেম্বরশিংদুগী মনুংদা শিন্নরবা অমনা থৌবুরেলদুনা মাগী মথৌ তৌবা হৌদ্রিবা ফাউবা থৌবুরেলগী থবক তৌগনী।

(৩) সব–সেক্সন (২) গী মখাদা হাপখ্রবা ওফিসারশিংগা মতেং পাংনবা মীওইশিংগগী তলবশিং, শেলহাপশিং অমদি থবক তৌবগী ফীভমশিং অসি রুলশিংনা লেপ্পবশিং অদু ওইগনী।

**২৬। ষ্টেট কম্মিশনগী মেম্বরশিংনা থবক পায়বদা মসি মসি তৌগদবনী হায়না য়ানবা ফীভমশিংঃ**

মেম্বরশিংদা পীগদবা তলব অমদি শেলহাপশিং অমদি মসি মসি তৌগদবনী হায়না য়ানবা ফীভমশিংদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লেপ্পকপা অদুগুম্না ওইগনী।

অদুবু মহাকপু হাপখ্রবা মতুংদা তলব অমদি শেলহাপশিং নৎত্রগা অতৈ য়ানখ্রবা ফীভমশিংদু মেম্বর অমগী মাঙজগদবা মওঙদা হোংদোকপা তৌরোইদবনী।

**২৭। ষ্টেট কম্মিশনগী ওফিসারশিং অমদি অতৈ তেংবাংনবা মীওইশিংঃ**

(১) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কম্মিশন্দা–

(এ) কম্মিশনগী সেক্রেটরী ওইনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী সেক্রেটরী অমগী থাক্কী ওফিসার অমা, অমদি

(বি) দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিশকী থাক্তগী হন্দবা ওফিসার অমগী মখাদা অদুগুম্না পুলিশ অমদি থিগৎ খোৎকৎপা তৌনবা মীওই (ষ্টাফ) অমদি কম্মিশনগী থবকশিং নিংথিনা ফজনা পাঙথোকপদা চঙগদবা অদুগুম্বা অতোপ্পা ওফিসারশিং অমদি তেংবাংনবা মীওইশিং – ফংহনগনী।

(২) মসিগী মরীদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শেমগদবা রুলশিংগী মখা পোন্না, চঙগনী হায়না খনবা অদুগুম্বা অতোপ্পা অশীন অরাঙগী, খুৎজু খুৎলায় শীজিন্নগদবা শিনফমগা মরী লৈনবগী অমদি সাইন্সকী ওইবা থবক্কী ওইবা মীওইশিং ষ্টেট কম্মিশন্না হাপ্পা য়াই।

(৩) সব–সেক্সন (২) গী মখাদা হাপখ্রবা ওফিসারশিংগা মতেং পাংনবা মীওইশিংগগী তলবশিং, শেলহাপশিং অমদি থবক তৌবগী ফীভমশিং অসি রুলশিংনা লেপ্পবশিং অদু ওইগনী।

**২৮। ষ্টেট কম্মিশনগী চহীগী অমদি অখন্নবা পাউদমশিংঃ**

(১) ষ্টেট কম্মিশন্না ষ্টেট কম্মিশন্দা চহীগা পাউদম অমা থাগৎকনী অদুগা মদুনা মদুগী মত্তা চহীগী পাউদম থাবা ফাউবা য়ৈথোক্তুনা থম্বা য়াদনা মরু ওইবনী নৎত্রগা তঙাইফদবনী হায়না নীংবা হীরম অমদা অখন্নবা পাউদমশিং, মতম অমদা হেক্তা (ষ্টেট গভর্নমেন্টতা) থাবা য়াই।

(২) ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কম্মিশনগী চহীগী অমদি অখন্নবা পাউদমশিং অদু, হাউস অনী লৈবা ওইরগনা ষ্টেট লেজিস্লেচরগীহাউস খুদিংমক্কী মমাঙদা নৎত্রগা অদুগুম্বা লেজিস্লেচর অদুনা হাউস অমত্তমক লৈরগনা, হাউস অদুগী মমাঙদা কম্মিশনগী পাউতাকশিং অদুদা পায়খৎলবা নৎত্রগা পায়খৎকদৌরিবা থবকশিং অমদি, লৈরগনা, পাউতাকশিং অদু লৌখিদবগী মরমশিং শম্না নীংশিংগদবা মওঙদা ইবদুগা লোয়নননা থমগনী।

**২৯। নেশনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী মরী লৈনবা ৱারোল খরা ষ্টেট কম্মিশনশিংদা শীজিন্নবাঃ**

সেক্সন ৯, ১০, ১২, ১২ ,১৩,১৫, ১৬, ১৭, অমদি১৮ গী ৱারোলশিং অসি ষ্টেট কম্মিশন্দা শীজিন্নগনী অদুগা মখাগী শেমদোকপশিং অসিগী মখা পোন্না চৎনগনী, হায়বদি –

(এ) ''কম্মিশন'' হায়না পল্লিবশিং অসিবু ''ষ্টেট কম্মিশন'' হায়না পনবনী হায়না ৱাহম্থোক তৌগনী,

(বি) সেক্সন ১০ গী সব–সেক্সন (৩) দা ''সেক্রেটরী জেনরেল'' হায়বা ৱাহৈ অদুগী মহুত্তা ''সেক্রেটরী'' হায়বা ৱাহৈ অসি মহুৎশিনগনী,

(সি) সেক্সন ১২ গী ক্লোজ (এফ) লৌথোক্কনী,

(দি) সেক্সন ১৭ কী ক্লোজ (i) দা য়াউরিবা ''সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট নৎত্রগা ... অমা'' হায়বা ৱাহৈশিং অসি লৌথোক্কনী।

**৬ শুবা তাংকক**

**মীওইবগী হকশিংগী ৱায়েলশঙশিং**

৩০ মীওইবগী হকশিংগী ৱায়েলশঙশিং–

মীওইবগী হকশিং থুগাইবদগী থোক্লকপা মরালশিংবু অথুবা ৱায়েল পীনবগী মরমগীদমক হায় কোর্টকী চিফ জষ্টিসকা য়ানরগা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী সেসনগী কোর্ট অমমম্বু হায়খ্রবা মরালশিং অদুগী ৱায়েন্নবগীদমক্তা নোটিফিকেসন থোক্তুনা মীওইবগী হকশিংগী ৱায়েলশঙ অমনী হায়না তাক্কনি (লাউথোক্কনী)ঃ

অদুবু অসিগুম্বা মরালশিংগীদমক্তা অতোপ্পা চৎনরিবা অতৈ আইনা অমগী মখাদা–
(এ) সেসনগী কোর্ট অমবু হান্নবা স্পেসিয়েল কোর্ট অমনী হায়না লাউথোকখিরম্নবদি, নৎত্রগা
(বি) স্পেসিয়েল কোর্ট অমা হান্নবা লিংখৎখিরম্নবদি – সেক্সন অসিদা য়াউরিবা করিগুম্বা অমত্তা শীজিন্নরোই।

৩১। অখন্নবা পব্লিক প্রোসিক্যুটরঃ

মীওইবগী হকশিংগী ৱায়েলশঙ খুদিংগী ওইনা কোর্ট অদুদা কেশশিং (শীল্লাঙনবগীদমক্তা) চথনবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা নোটিফেকেসন থোক্তুনা পব্লিক প্রোসিক্যুটর অমবু নৎত্রগা চহী তরেত্তগী তাদনা উকিল ওইরক্লবা মীশক অমবু স্পেসিয়েল পব্লিক প্রোসিক্যুটর অমা ওইনা লাউথোক্কনি।

**৭ শুবা তাংকক**

**শেলথুমগী ফীভম, চাগা–চাদিঙগী মরম অমদি চাগা–চাদিং য়েংশিনবা**

৩২। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পীবা শেলগী মতেংশিংঃ

(১) পার্লিয়ামেন্টনা মসিগী মরীদা শেম্বা আইন্না তশেংনা খাইদোক্তুনা থমহৌরবা শেনফমদগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা এক্ট অসিগী মরমশিংগীদমক্তা শীজিন্নবদা মতিক চারনী হায়না খনবা অদুগুম্বা শেনফম অদু শেলগী মতেং ওইনা কম্মিশন্দা পীগনি।

(২) এক্ট অসিগী মখাদা তৌগদবা থবকশিং অদু পাঙথোক্লবগীদমক শেনফম অসুক চাদিং তৌরবদি মতিক চারনি হায়না খনবা শেনফমদু চাদিং তৌগনি অদুগা অদুগুম্বা শেনফমশিং অদু সব–সেক্সন (১) দা পনখ্রবা শেলগী মতেংশিং অদুদগী তৌবা চাদিংনী হায়না লৌগনী।

৩৩। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীবা শেলগী মতেংশিং ঃ
(১) লেজিস্লেচরনা মসিগী মরীদা শেম্বা আইন্না তশেংনা খাইদোক্তুনা থমহৌরবা শেনফমদগী ষ্টেট গভর্নমেন্ট এক্ট অসিগী মরমশিংগীদমক্তা শীজিন্নবদা মতিক চারনী হায়না খনবা অদুগুম্বা শেনফম অদু শেলগী মতেং ওইনা ষ্টেট কম্মিশন্দা পীগনি।
(২) এক্ট অসিগী মখাদা তৌগদবা থবকশিং অদু পাঙথোক্লবগীদমক শেনফম অসুক চাদিং তৌরবদি মতিক চারনী হায়না খনবা শেনফমদু চাদিং তৌগনি অদুগা অদুগুম্বা শেনফমশিং অদু সব–সেক্সন (১) দা পনখ্রবা শেলগী মতেংশিং অদুদগী তৌবা চাদিংনি হায়না লৌগনি।

৩৩। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীবা শেলগী মতেংশিংঃ

(১) লেজিস্লেচরনা মসিগী মরীদা শেম্বা আইন্না তশেংনা খাইদোক্তুনা থমহৌরবা শেনফমদগী ষ্টেট গভর্নমেন্টনা এক্ট অসিগী মরমশিংগীদমক্তা শীজিন্নবদা মতিক চারনি হায়না খনবা অদুগুম্বা শেলফম অদু শেলগী মতেং ওইনা ষ্টেট কম্মিশন্দা পীগনি।

(২) ৫ শুবা তাংকক্কী মখাদা তৌগদৌবা থবকশিং অদু পাঙথোক্লবগীদমক শেনফম অসুক চাদিং তৌরবদি মতিক চারনী হায়না খনবা শেনফমদু ষ্টেট কম্মিশন্না চাদিং তৌগনি অদুগা অদুগুম্বা শেনফমশিং অদু সব–সেক্সন (১) দা পনখ্রবা শেলগী মতেংশিং অদুদগী তৌবা চাদিংনি হায়না লৌগনি।

৩৪। চাগা –চাদিংগী মরম অমদি চাগা চাদিং য়েংশিনবাঃ

(১) কম্মিশন্না চাগা–চাদিংগী মরম অমদি অতৈ মরী লৈনবা নীংশিংনবা ইশিনবা চে–চাংশিং নীংথিজনা শুগনি অদুগা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা কম্পট্রোল্লর অমদি ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগা তানদুনা অসুম্না তৌগদবনি হায়দুনা লেপথোক্লবা অদুগুম্বা ফোর্ম অদুদা চাগা চাদিংগী চহীগী চেরোল অমা শেমগনী।

(২) কম্মিশন্দুগী চাগা–চাদিংগী মরমদু কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেলনা মানা লেপ্পা মতম অসুক অসুক কান্নবা য়েংশিনগনি হায়বা মতমশিংদা য়েংশিনগনি অদুগা অসিগুম্বা য়েংশিনবা অদুগী মরীদা তিংখিবা চাদিংদু কম্মিশন্না কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেলদা পীগদবনি।

(৩) কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল অমদি মানা এক্ট অসিগী মখাদা কম্মিশনগী চাগা চাদিংগী মরম য়েংশিন্নবগী মরীদা হাপখিবা কনাগুম্বা মীশক অমনা গভর্নমেন্টকী চাগা চাদিংগী মরম য়েংশিনবগী মরীদা মহৌশাগী ওইনা লৈবা কম্বট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেলগী হকশিং অমদি খুদোংচাবগী অমদি পাঙ্গলশিং অদুম্মক মান্নবা লৈগনি। অদুগা অখন্নবা খাতাশিং, চাগ–চাদিংগী মরমশিং, মরী লৈনবা পীথোকখিবা শেলশিংদু অচুম্বনি উৎনবা অইবা চেশিং অমদি অতৈ নীংশিংনবা ইশিন্দুনা থম্বা চে–চাং খোৎচিনবগী পাঙ্গল লৈগনি।

(৪) কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল নৎত্রগা মসিগী মরমদা মানা হাপ্পা অতৈ অতোপ্পা মীশক্লা চুম্মী হায়রবা চাগা–চাদিংগী মরমদু, মদুদা পীবা য়েংশিনবগী ৱারোলদুগা লোয়নননা কম্মিশন্না চহী খুদিংগী ওইনা সেন্ট্রেল গভর্নন্টেতা থাগনি অদুগা মদু ফংলবা মতুংদা হেক য়ারিবমখৈ থুনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী মমাঙদা থমগনি।

**মখা মথং য়ুমশকৈশদা...**